ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
৪৪ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ০০৬ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, মার্চ ৩০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০০৬শুবা মশীং

## কোরোনাভাইরসকী রিলিফ পেকেজ লাউথোরকপা

### মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংগী ৱাফম য়াওরক্তবা লাইবক থীবনি

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা লায়রবশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপদগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা রিলিফ পেকেজ অমা লাউথোকখ্রে। লুপা ক্রোর লাক্ষ ১.৭কী গরিব কল্যান স্কিমগী শরুক অমা ওইনা কোরোনাভাইরসকা লান্থেংনবদা মাঙজিল থারিবা সেনিটেসন ৱর্কর, আশা ৱার্কর, দোক্টর, নর্স অমসুং পেরামেদিকশিংদা লুপা লাক্ষ ৫০গী ইন্সুরেন্স কোভর পীরগনি। এপ্রিল থাগী অহানবা চয়োলদা পি এম কিষান স্কিমগী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা লৌমীশিংদা লুপা ২০০০ পীরগনি। মহাত্ম গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরান্টি এক্টকী মখাদা মীওই ক্রোর ৫ রোমদা পীবা খূৎশুমল লুপা ১৮২দগী লুপা ২০০দা হেনগৎলগনি। লাক্কদৌরিবা থা অহুম চুপ্পা লুখ্রাবীশিং অমসুং সিনিয়র সিটিজন পূম্নমক্তা লুপা ১০০০গী অহেনবা শেনফম পীরগনি। ৱিমেন জন ধন একাউন্ট হোল্ডরশিংদা থা অহুম চুপ্পা থা খুদিংগী লুপা ৫০০ পীরগনি। ৱিমেন উজৱালা স্কিমগী বেনিফিসরিশিংদা থা অহুম লেম্না গ্যাস সিলিন্দর পীবগা লোয়ননা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং ক্রোর ৮.৩দা কান্নবা ফংহনগদৌরি। মীওই ১০০ ফাওবা থবক তৌবা ওর্গনাইজ সেক্টরগী ওইনা লাক্কদৌরিবা থা অহুম চুপ্পা ইমপ্লোয়র অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংগী ঈ পি এফ কন্ট্রিব্যুসন লৈঙাক্না পুথোক্লগনি। ঈ পি এফ ওগী রেগ্যুলেসন শেমদোকপগা লোয়ননা নন-রিফন্দেবল এদভান্স ওইনা চাদা ৭৫ নৎত্রগা থা অহুমগী খূৎশুমল মাঙ-জৌননা লৌথোকপা য়ারগনি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মরম ওইরগা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিংগীদমক ষ্টেট পূম্নমক্না বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱার্করশিংগী ৱেলফেয়র ফন্দ শীজিন্নবা য়ারগনি হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা নুমিৎ ২১ লোকদাউন লাউথোকখিবনা তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই, মরু ওইনা লায়রবশিংদা পীরক্কদবা চৈথেং খরদা ওইরবসু কোকহন্নবা ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমন্না অখন্নবা থৌরাং অসি লাউথোরকপনি। অমরোমদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা কোরোনাভাইরসকী রিলিফ ফন্দ ওইনা লুপা ক্রোর ১০০ লাউথোকখিবগা লোয়ননা লেবর, রিক্সো পুল্লর, ষ্ট্রিট ভেন্দর অমসুং অতৈ লায়রবশিংগী লৈফম-চাফম শিনখ্রে। ষ্টেট অদুগী রসন কার্দ পায়বশিংদা খুদক্কী তেংবাঙ ওইনা লুপা ১০০০ পীনবা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রবনি। দিল্লিদনা স্লম এরিয়াদা লৈরিবশিংদা পুলিসনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপদগী হৌজিক্তি মফম খুদিংমক্তা মীয়াম্না শেল পায়রবসু তঙাইফদনা চংগদবা পোৎলম অয়াম্বা ফংনরক্ত্রে। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা কোরোনাভাইরসনা মীপূম খুদিংমক শোকহল্লকপা য়াই হায়বা তারগসু খ্বাইদগী রিস্ক ৱাংবা কাঙবুদি অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা দোক্টর, নর্স, হেলথ ৱার্করশিং অমসুং নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা অচুম্বা পাউ ফংহন্নবগী থৌদাং লৌরিবা পাউমীশিংনি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবা দোক্টর কয়া কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপা লৈখ্রে। মীয়ামদা অচুম্বা ঈ-পাউ ফংহনবগী থৌদাং লৌরিবা পাউমীশিংসু খুদোংথীবা মায়োক্নরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ফীভম অসিদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা রিলিফ পেকেজ লাউথোরকপা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামদা লেম্না চেঙ য়েন্থোরকপা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি। অদুবু লুরবা তানফমদা মথৌ তৌরিবা পাউমীশিংগী অখন্নবা থৌরাং য়াওরক্তবা লাইবক থীবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৩।২০২০ ইং, নিংথৌকাবা;
শজিবুগী ৬ নি পানবা।

**মেষ :** লৌশিং থোকপা ৱাৎপা, অঙম্বনা থবক্তা য়েংথিবা অমদি মরুপ-মপাংনা নরলদা মীতাবা লৈগনি। অদুবু অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা, য়েৎনরম্বা কোকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** ওইজবা ফংগনি, মীচং হেনগৎকনি, মরুপ-মপাংগী মতেংনা শেল-থুম অমদি লৈঙাক্কী লম্‌দা কান্নবা ফংগনি। মীয়াম্নসু য়াম্না য়াগনি। মহু চাওবনদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** থবক পাংগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি নক্নবা মী লোয়নবা কান্নগনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু অমদি য়েক্নবনা খুদোংথীবা নংহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** শেল-থুমগী লম্‌দা কান্নবা, ৱাখল থোকপা অমদি লাইবক ফবা খরদি লৈ। অদুবু অঙম্বগা মুক্নবা অমদি অশাওবনা লন ময়েং তাবগুম থোকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নচা-ননাইগী লম্‌দা অমদি নহৈগী লম্‌দা পেন্দবা লৈরক্কনি-অখঙ-অহৈ শাগনু। অদুবু লাইবক ফবনা অনীংবা থবক পাংগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা :** নচাক নরল চাওখৎপা অমদি লাই-গুরুনা চানবদি হান্নগুম লৈগনি। অদুবু হোয়া ফবনা মীপাইবা নংবা অমদি ঙক কনবনা লন মাঙবা য়াবসু লৈ-ঈংথবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** পূক্নিং ফাথৌ অমদি অরুবা থবক পাংদবা ফগনি। লাইবক ফবা তমদে অদুনা মরম চাবা য়েংলগা থৌ পাংবা ফগনি। ৱাঙাঙ অমদি পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীগী পূক্নিং খঙবীবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**বৃশ্চিক :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, লাই-গুরুনা চানগনি, মীংচৎ ফংগনি অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি। পূক্নিং ৱাবদি লৈগনি, হন্থবা লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**ধনু :** অকিবা পোকপা অমদি নথক থোংবনা চানবীদবা লৈগনি। নোল্লুক্না চৎলু অমদি মীৱা লৌগনু। য়ারদি মরুপকী ৱা তাবা কান্নগনি অমদি নীংবা খরসু থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


**মকর :** খোইরাং খোইশাওনবা লৈরবসু, মতম মাঙবা অমদি মরুপ মপাংনা চানবীবা ৱাৎলবসু ইচং থৌবনা মীনা লাকচবদি ঙমলোই। লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্ভ :** পূক্নিং ফাথৌ, অরং-অরাক চেকশিল্লু অমদি অফা অপুন নংবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই, অশাওবা ফাথৌ। মরুপ-মপাংকী ৱা নীংশংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কনবা মথৌ তাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** মায় পাকপা, অনৌবা অশা লাকপা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা নুমিৎনি। ওইদবনা পাম্বৈ ওইগে খনগনু অমদি শকখঙদবগী ৱা লৌগনু-মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## লোকদাউন থৌশাদবা হায়বসি থৱায় থাবা কিদবগী থৌওংনি : পি এম



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) : কা হেন্না লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অমা ওইরিবা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগীদমক মফম খুদিংমক্তা লোকদাউন তৌবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে, লোকদাউন থৌশাদবা হায়বসি থৱায় থাবা কিদবগী থৌওংনি।

থা খুদিংগী রেদিওদা ৱা ঙাঙবগী থৌরম 'মন কি বাট' তা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মতম শাংনা লোকদাউন তৌবগী মতাংদা মীয়াম্না করম্বা মখলগী প্রাইম মিনিষ্টরনো হায়না অঙকপা পোক্লম্বা য়াই। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লোকদাউন তৌবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে। মীওই অয়াম্বনা লোকদাউন থৌশাদ্রিবসি অৱাবগী মশকনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা লোকদাউন থৌশাদবা হায়বসি থৱায় থাবা কিদবগী মওংনি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন খুদিংমক্না অথিংবা মায়োক্নরি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অৱাবা পূম্নমক মায়োক্নরবা মতুংদা লৈবাক মীয়ামগী মপাঙ্গল অমুক্না হেন্না কনখৎলক্লগনি। মতম খরগী ওইনা মীপূম খুদিংমক খরা খরা লাপথোক্লনা লৈবা তারবসু পূক্নিংগী ওইবা মরীদি হেন্না নকশিন্নবা তঙাইফদে। খরা খরা লাপথোক্না লৈরগসু মীওইবা মশেল হেন্না নুংশিনদুনা অমগী মতেং অমনা পাংনবা মতমনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা অনা-লায়েংগী থবক তৌরিবশিং অমসুং ক্কারন্টাইন তৌবিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ক্কারন্টাইন তৌরিবশিংদা হন্থনা য়েংবীবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা ইসেন্সিয়ল সর্ভিসতা মথৌ তৌরিবা মীওই পূম্নমক্কী মফমদা লৈবাক মীয়ামগী মহুৎ শল্লগা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। নুমিৎ ২১ লোকদাউন তৌদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনবগীদমক মীয়াম্না ঙাকপীয়ু হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা 'মন কি বাট' থৌরমদা ফোঙদোকখি।

## লোকদাউন মনুংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) : কোরোনাভাইরসকী লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা শেল পায়বা পায়দবা থিদনা মীপূম খুদিংমক্তা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পি আই এল অদুনা হায়খি, খূৎতা শেল পায়রবসু অপাম্বা পোৎ লৈবা ফংদবগী ফীভম লাক্লবনিনা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) গী কার্দ পায়বা পায়দবা নৎত্রগা ইনাক খুনবা-খুন্দবা থিদনা মীপূম খুদিংমক্তা লৈঙাক্না তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপীগদবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্সনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না অশানবা য়ূমদা শিন্মীশিং থল্লিবা য়ূম্বু অমত্তনা মতম খরা শেল অমত্তা লৌরোইদবনি হায়রি।

কোরোনাভাইরসকী ফীভম লুশিল্লকপদগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা রাজ্য সভাগী মেম্বর খুদিংমক পি এম ক্যেরস ফন্দদা থা অমগী তোলোপ কৎতুনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী রেসিদেন্সতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী ইমপ্লোয়ী খুদিংমক পি এম ক্যের ফন্দদা নোংমগী তোলোপ কৎতুনা কোভিদ-১৯ লাকশিনবদা মতেং পাংবগী ৱাফম দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অয়াবা পীখ্রে। পেরামিলিটরি ফোর্সকী ওইনদি পর্সনেলশিংগী নোংমগী তোলোপ (লুপা ক্রোর ১১৬) পি এম ক্যেরস ফন্দদা কৎখ্রে।

## কোরোনাভাইরসনা শোক্লবা জহাজ পানামা কেনেল ফাওবা য়াহনখ্রে

পানামা সিটি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) : য়ামদ্রবদা পেসেঞ্জর ৪ শিখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং চেন্নবা মীওই ২ য়াওনা অতৈ মীওই ১৩০ হেন্না ফ্লুগী লাইওংশিং উৎলকপদগী পানামাগী পেসিফিক সমুদ্র খোংবান মনাক্তা ফাইদুনা লৈরম্বা ক্রুজ জহাজ অমা পানামাগী কেনেল ফাওদুনা চৎপা য়াহল্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হোলেন্দ অমেরিকা লাইনগী মিটর ২৩৮ শাংবা এম এস জন্দন ভেসেল অদু হৌজিক মখা তানা ফ্লোরিদাগী ফোর্ট লোদরদেল ফাওবা চৎপা য়ারগনি, তৌইগুম্বসুং পানামাদগী গভর্ণমেন্টনা পেসেঞ্জর নৎত্রগা ক্রু মেম্বর অমত্তা লৈবাক অসিগী লৈহাওদা খোঙদাবা য়ারোই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি।

পানামানিয়নশিংগী হকশেলগী ফীভম ঙাক শেন্নবগীদমক্তা থৌরাং অসিদা শরুক য়ারিবা পুলিসশিং লায়না লাইচৎনা শোকহন্দনবগী বাইওসিক্যুরিটি থৌরাংশিং লৌখৎকনি হায়না গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সেনিটরিগী ৱাফমশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা ক্রুজ জহাজ অদু পানামা কেনেল ফাওবা য়াহন্দবদগী পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী মীওইশিং মখোয় করম্বা মতমদা ময়ূম য়ৌবা ঙমগদগে হায়না ৱাকৎখিবনি।

চৈরকসিদা লাইওং উৎলক্ত্রিবা পেসেঞ্জর ৪০১ জন্দমদগী অতোপ্পা জহাজদা ট্রান্সফর তৌবা য়াহল্লগনি হায়না পানামাগী মরিটাইম ওথোরিটিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হোলেন্দ অমেরিকানা জহাজ অমসু মফম অদুদা থাখ্রে।

ক্রুজ ওপরেটরনা ফোঙদোকখিবদা জন্দমদা গেষ্ট ১,২৪৩, ক্রুজ ৫৮৬কা লোয়ননা দোক্টর ৪ অমসুং নর্স ৪ তোংই। জন্দমদকী অতোপ্পা জহাজ অমদা পেসেঞ্জরশিং হোংদোক্কদৌরিবদু টেম্পরেচর টেষ্ট অমসুং ৱাহং ৪গী পাউখুমদা য়ূম্ফম ওইগনি হায়না লন্দন্দগী পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোকখি।

## ইপুথৌ পাখংবদা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) : মালেমগী ওইনা লায়না লাইচৎ ফত্তবা লাকপা মতমদা চঙদনবা অমদি মাঙহনখিনবগীদমক ইপুথৌ পাখংবদা ঈরাৎ থৌনি পাংজরগা অসিগুম্বা লায়না লাইচৎ অসি লৈতনবা থৌরম অমা ইপা ইপুশিংনা পুয়াদা ইদুনা থম্বীরম্মী। ঈরাৎ থৌরম অসি লৈবাক্কী অমদি মালেমগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থা অসিগী ৩১দা পাঙথোকচগদবনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

## হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) : হৌজিক হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং ওইনা কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোকনা ঙসি ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা লম্বী সরকশিংদা মহীক মতাই হাৎননবা ব্লেসিং পাওদর য়াওনা হীদাক কয়া কাপথোকখ্রে। য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সিল্লর এস এম দিলিপকী লিচিং মখাদা ৱার্দ নম্বর ৪, ৫ গী মফমশিংদা অমসুং য়াইরিপোক কৈথেলগী অকোয়বদা ব্লেসিং পাওদর অমদি ফিনাইলনচিংবসু কাপথোকখি হায়রি। অমরোমদা, কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু দিসইনফেক্টেন্ট লিক্যুদশিং কাপথোক্লখি হায়রি।

## নপসাগী চেঙ চপ মান্নদা পীবিয়ু : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) : কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা লোকদাউন চথরিঙৈ অমদি কর্ফিয়ু থল্লিঙৈ মনুং অসিদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমগা অতোপ্পা কন্সটিট্যুএন্সি অমগা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (নপসা) গী চেঙ চপ মান্নদা পীবিয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মালেমগী মীয়াম্না কিনরিবা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন তৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপীরি। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু য়ু পি এফকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

চীফ মিনিষ্টরনসু লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরশিং অমসুং এম এল এ খুদিংমক্তা মান্নবা মীৎয়েংদা নপসাগী চেঙ অসি য়ৌহনবীনবা হায়খ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমদনা মীওই অমদা চেঙ কিলো ৫ পীবা অদুগা অমদনা চেঙ কিলো ৩ পীবা, অতোপ্পা অমদনা চেঙ কিলো ৪ পীবা য়াওরি। মসিনা তাকপদি এম এল এ অমসুং এজেন্ট খরদি পুকচেল মকপ্রা হায়না খঞ্জে। মসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা য়েংশিলহন্নীংই।

নাকল অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদগী লাক্তুনা হোষ্টেলদা লৈদুনা মহৈ তম্বা মহৈরোয় খরা লৈকায়-লৈকায়দা অদুম লৈরমগনি। কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা য়ূমদা হলহৌদ্রবা মপান থোকপগী খুদোংচাবসু ফংদ্রবা মহৈরোয়শিং অদুগী য়েংবীরগা লৈকায়, ক্লব অমদি সোসল ৱার্কর অমদি লৈঙাক্না মতেং পাংবীয়ু।

সোসল মিদিয়াদা উজবদা পুকচেল চাওরবা চাওরবী কয়ানা লৈত-লায়রশিংদা মতেং পাংবা উবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজে। অদুবু গ্রুপ খরদি মাস্ক উপ্তুবা, গ্লোব উপ্তুবা, মী অমগা অমগগী অরাপ্পা অদু খরা য়েংশিলহন্নীংই। লোকদাউন্না মরম ওইরগা ঐ-ঐগী তোঙান তোঙানবা ইথৌ ময়াম অমা লৈরমগনি। অদুবু লায়না অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউনগী অথিংবা থল্লিবনি। মরম অদুনা সেক্যুরিটিগী ইচিন ইনাওনা লৌরিবা থৌদাং অসিবুসু মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবা মথৌ তাই।

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি অখঙ অহৈশিংনা পীরিবা গাইদ লাইনশিং ঙাক্না চৎপবা মতমদতা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## চেঙ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থমখিবনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা নোংমগী শূরগা চাজবা নোংপোক সেকমাইদা লৈবা ইমুং ৩০ হেন্না খনগৎতুনা চেঙ অমসুং চানবা থুম ঙরাং নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং এসোসিএসন (নেসা) নোংপোক সেকমাইনা য়েন্থোকখ্রে।

চিরবা তানফম অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লিবা দুকানশিংদসু অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নেসা নোংপোক সেকমাইনা এম য়ুদগী হেন্দ সেনিটাইজর বোট্টল ২০০ লৌদুনা মীয়ামদসু য়েন্থোকখ্রে। কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিংদসু মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়না নেসাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভুসন লোংজম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈরম্বা অহোবশিং মেনশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (ঐচ এন এস) : ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মোরেগী গোবাজাং ভিলেজ ময়াদা লৈরিবা অহোবশিং অসিদা নারোন্দা মী চঙথোক-চঙশিন তৌহন্দনবগীদমক ঙসি মেনশিনবগী থবক হৌখ্রে।

মণিপুর য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা অহোংবশিং অদু দি সী তেংনৌপল এম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টি ঐচ বিক্রমজিৎ, ৪৩ অসাম রাইফলসকী সী ও সুমিট সুট, এ এস পি (ওপস) তেংনৌপল টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, এস পি (ওপস) মোরে এম অমিৎ, ও সী দিলিপকুমার, সী দি ওগী ও সী প্রকাস, মণিপুর রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসরশিং এ দি সী মোরে মনিকান্ত, এস দি ও মোরে ইরেংবম দিনেসকুমারনচিংবা ওফিসল কয়ানা শরুক য়ারগা মেনশিনখিবনি।

ঙমখৈ পরিংদা লৈরম্বা অহোবশিং মেনশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা তেংনৌপলগী দি সী এম রাজকুমারনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্ননবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঙমখৈ পরিং অসিদা নারোন্দা মী চঙথোক চঙশিন তৌহন্দনবগীদমক অহোবশিং অসি মেনশিনবনি।

## ই পি এফ একাউন্টতগী শেল লৌথোকপা য়ারে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সী) : নুমিৎ ২১নি কোরোনা-ভাইরসকী লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা মীয়ামগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ (ঈ পি এফ) একাউন্টতগী শেল লৌথোকপা য়াহল্লে।

ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসন (ঈ পি এফ ও) না ৱিথদ্রোৱেল রুল শেমদোকপগা লায়ননা সবস্ক্রাইভর ক্রোর ৬পু থা অহুমগী বেসিক সেলরি অমসুং দিয়রনেস এলাৱেন্স (দি এ) নৎত্রগা পি এফ একাউন্ট বেলেন্সকী চাদা ৭৫ (অনীগী মনুংদা য়ামদবা অমা) লৌথোকপা য়াহল্লে।

ঈ পি এফ ওনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, পেন্দেমিক ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমদি ফেক্টরিশিংদা থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমক মশা মশাগী ই পি এফ একাউন্টতগী শেল খরা লৌথোকপা য়াহল্লে। কনাগুম্বনা ই পি এফ ওগী য়ুনিফাইদ পোর্টেলদা চঙলগা মশাগী য়ু এ এন অমসুং পাসৱার্দ শীজিন্নদুনা লোগ-ইন তৌরগা শেল লৌথোক্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

## এম এ সীগী চ্যেরমেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

হান্নগী মখা... চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১৯দা 'রিপোর্টরস ৱিদাউথ বোর্দরস' না ফোঙবা '২০১৯ ৱর্ল্ড প্রেস ফ্রীদম ইন্দেক্স' কী মতুংইন্না পাউমীশিং মনীং তম্না মথৌ তৌহনবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা মালেমগী লৈবাক ১৮০গী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১৪০শুবা মফমদা লৈরি। ইন্দিয়াদা মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংবু খূৎলায় পায়বা কাঙলূপশিং, ক্রিমিনেল গেঙ অমদি মবুকচেল শেংদবা পোলিটিসিয়নশিংনা কিহনবগী থবক চথৈ। কুমশিং ২০১৮দা ইন্দিয়াগী পাউমী ৬ মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা হাৎখি। লৈবাক অসিদা পাউমীশিং মথৌ পাঙথোকপদা কা হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরি। ইন্দিয়াদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকল পার্টিগী মায়োক্তা পাউ ফোঙলুবা প্রিন্ট মিদিয়া নৎত্রগা অসিগুম্বা মখলগী পাউ শন্দোক্লুবা ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াগী পাউমীশিং খুদোংথীবা কয়া ইতৎ তত্তনা মায়োক্নরি। মরুওইনা কাশ্মীর অমসুং ৱেসিয়া লমদমদা মপান লৈবাক্কী পাউমীশিং চংহন্দে, অয়াম্বা মতমদা ইন্টরনেট থিংজিনবা মরমনা নুমিৎ খুদিংগী মথৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নহল্লি।

তশেংনা ইন্দিয়া কৌবা মীজাউ অসিগী হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক তিঞ্জং কায়জংলবা অমদি পথ্থ-পুমথদুনা কিন্থবা ঙাইবগী তাঞ্জা য়ৌরক্লবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইরমদমগী মীয়ামগী অফবা তুংলমচৎ অমদি মঙলান মঙবা ঙমজদ্রবা ঙাইহাক্কী ওইবা, তুং কোয়না চৎলোইদবা ওইজ-ওইথক খরদা ঙাওদুনা পংথরবা মীওই খুজোক খরগী লৌনম ৱাহৈদা থুদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্না অফবা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা লাকখিনি হায়না থাজবগী মতম নৎত্রে। ইকুই কুইদনা মশা মতোমতা কিন্থজরক্লগদবা ইন্দিয়াগীদমক কংলৈ মীয়াম্না অমুক হন্না ৱারুফম থোক্তে।

মতাং অসিদা ঐখোয়না মালেমগী লৈমায়দগী লোইলম মরূ ফংনা মুথুৎনবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং মসিগী সবসিদরি ওর্গান অমা ওইরিবা দিকোলোনাইজেসন কম্মিটিনা লেপ্পা লৈতনা লৌরিবা মশক নাইবা থৌদাং অসিসু নীংশিংবা চুমগনি। মসিনা মপাঙ্গল কল্লবা লোইলম শন্দোকপা লৈবাকশিংগী খুবামনুংদগী মপাঙ্গল শোল্লবা অপিকপা লৈবাকশিংনা নান্থোক্লবা চঙশিল্লিবা নীংতম ঈহৌশিং অদুদা মপাঙ্গল মথৌনা হাপ্লি অমসুং পূক্নিং থৌগৎলি। কুমজা ১৯৪৫দা য়ু এন লীংখৎখিবদগী মালেমগী লৈবাক ৮০ হেনবদা লোইলমগী খুবামনুংদগী নীংতম্বা ফংখ্রে। হৌজিক মালেমগী ওইনা য়ু এননা শক খঙলবা মনীং মখা তমদ্রিবা লম ১৭পু মনীং মখা তমহন্নবা মালেমগী বোদি অসিনা হনবা লৈতনা হোৎনরি। অসিগুম্বা মীখা পোল্লিবা, মশাগী লৈঙাক লৈজদ্রিবা লমশিং অসিবু নীংখা তমহন্নবগী থৌরাং থৌশিল লৌখৎলকপদা লৈবাকশিং অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা অমসুং মথৌ তাবদা য়ূম্ফম ওইগদবনি হায়না হন্দক্তা খ্বাইদগী নৌনা পাঙথোকখিবা য়ু এনগী স্পেসল কম্মিটি ওন দিকোলোনাইজেসনগী মীফম হৌদোকপদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্থোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী ৱাফম অসিনা য়ু এননা মীখা পোল্লিবা লৈবাকশিংগী নীংতম্বগী ৱাফমদা খোঙফম চেৎনা লেপ্পি হায়বদু ময়েক শেংনা তাকই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লোইলম শন্দোকপা লোইশিনদবা হায়বসি লোইলম ওইরিবা লৈবাকশিং অদুগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বদা য়ূম্ফম ওইগদবনি। মসিদা য়ু এননা থোইদোক হেন্দোক্না শিংথানীংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি। লোইলম ওইরিবা লৈবাক অয়াম্বা অপিকপা লমদমশিংগীনি। লোইলম লৈবাকশিং অমসুং মসিবু লৈঙাক্লিবা কাঙবু অনীগী অমসুং লোইলম লৈবাকশিংগী তুংগী লাইবক লেপচবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয়না মদুগী ফীভম শেম্নবা লৌরিবা থৌদাং অসি লেপ্পা লৈতনা চথুফম থোক্লি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা মশাগী মনীং তম্বা লৈঙাক পথাপ লৈজদ্রিবা নন সেল্ফ গভর্নিং টেরিটোরি হায়না খঙনবা লম ১৭ লৈরি। এঙ্গোলা, মোজাম্বিক, গ্যুনিয়া বিসাওগী নীংতম্বগী ঈহৌশিং অমসুং মদুগী ইথিলনা মরম ওইদুনা পোর্টুগিজ লান্মীগী লালহৌনা পোর্টুগলদা মীয়ামগী লৈঙাক লীংখৎখি।

মালেমগী মীয়াম্না লোইলম লৈবাকশিং অসিদগী নান্থোক্তুনা মরোমদোম লৈঙাক লাক্কদবা নুমিৎ অদুবু খৌরাংনা ঙাইরিবনি। চহী ২০গী মতুংদা টিমোর লেষ্টেনা শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা মরোমদোম লৈঙাক লীংবা ঙমখ্রে। হৌজিক্তি দিকোলোনাইজেসনগী খোঙথাং অসি তপথবগুম তৌরি অদুবু মাঙলোমদদি চঙশিল্লি হায়না গ্যুটেরেসনা হায়রি। পেসিফিক লমদমদা ফ্রান্সকী মখাদা লৈবা ন্যু কালেদোনিয়াদা অহানবা ওইনা মীয়ামগী অনীংবা, অপাম্বা ৱাখল খঙদোক্নবা হোৎনখিবগী মখা তারকপা ওইনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা অনীশুবা রিফরেন্দম পাঙথোক্কদৌরি। য়ু এনগী পুৱারীদা মালেমগী বোদি অসিনা লোইশিন্দনা লৈরিবা মশক নাইবা থবকশিংগী মনুংদা দিকোলোনাইজেসন হায়বদি লোইলম মুথুৎপগী পন্দুপ অসিসু অমনি। মীখা পোন্দুনা লৈরিবা মালেমগী মরোমদোম লৈঙাকচদ্রিবা লমশিংনা মরোমদোম লৈঙাকচবা হায়বা পন্থুং অসি ফংনবা হোৎনবগী খোঙথাংদা দিকোলোনাইজেসন কম্মিটিনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না মরুওই।

মালেম পূম্বগী ওইবা মীওইবগী রাইট হায়বদি মরোমদোম লেপচবগী রাইট অসি য়ু এন চার্টরগী মনুংদা অদুম য়াওজরবনি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী দিক্লারেসন অমসুং ইন্টরনেসনল লোনা মীওইবগী মরোমদোম লেপচনবগী রাইটপু নৈননবা অমসুং মদুবু য়াবা চৎন-পথাপ কয়া পীরি। অদুবু ঙসি মশানা মশাবু চাওখৎলে হায়জরিবা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল লো অসিবু ঙাক্না চত্তে। চৎন-পথাপ অসিবু ইন্দিয়ানা ঙাক্না চৎত্তবা নৎত্রগা মসিবু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রগা, মদু লৈত্রে নৎত্রগা চৎনদ্রে হায়বদি লানগনি।

কংলৈপাক্কী ওইনা য়েংবদা ইন্দিয়ানা লমদম অসিবু মালেমগী অমদি লৈবাকসিগী ৱায়েল কাঙলোনগী ৱাংমদা লৌশিনখ্রবা মতুংদা লৈবাকসিগী মীয়াম্না রিফরেন্দম নৎত্রগা প্লেবিসাইট অমগী মখাদা এনেক্সেসন অদুবু অয়াবা পীখিদ্রি। য়ু এননা পীবা ফুরুপ অমা ওইবগী রাইট অদু কংলৈ মীয়ামদগী মাঙখিবা লৈত্রি, ঐখোয়গী খূত্তা লেঙদনা লৈরি। হৌজিক কংলৈ মীয়াম পূম্বগী মাঙদা তারিবদি ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মরোমদোম লেপ্পগী রাইট ফংননবা নীংতম লান থেংন-থেংননা য়ু এনগী থোঙ থিংদুনা কংলৈ ফুরুপকী ফংফম থোকপা নীংতম্বগী রাইট মশক তাকপনি।

অরোইবদা, চহী ৪৩ চুপ্পা প্রিপাকনা ইরৈবাক্কী লাইবক লেপকদবা নীংতম য়াওল ঈহৌ চথরক্লিবা অসিদা রেদ আর্মিশিংনা লৌরিবা থৌদাং শিংথানীংঙাইনি। আই ও এফকা থেংনবা লানফম কয়াদা মখোয়না থৌনা ফনা ইরৈবাক্কীদমক লান্থেংনখিবা অমদি কখোকপগা লোয়ননা য়েক্নবগা মায়োক্নখিবা কয়া অদুগীদমক চাউথোকচৈ। রেদ আর্মিশিংনা ইচং থৌনা অমদি থৌনা লৈনা নীংতম য়াওল লান্থেং চথদুনা ইন্দিয়ন ফোর্সতা অফোংবা-অরোনবা কয়াগী লান্দা চথবা লেপত্রিমখৈ ঐখোয়গী মাঙখিবা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী অমদি নীংতম য়াওল ঈহৌগী পান্দম ফংনবগী পুংজা অদু নকশিল্লক্লবনি হায়বসি রেদ আর্মিশিংনা মতম চুপ্পদা থম্মোয়দা থম্বীয়ু। মসিতনা ইরৈবাক্কী মাঙখিবা নীংতম্বা হঞ্জিনহনবা ঙমগনি হায়নসু প্রিপাক্কী রেদ আর্মিগী মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে ঐচ শাথিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।